

# সনালৈবাক স্পোর্টস

WEDNESDAY, DECEMBER 25, 2013, PAGES 7



রয়ো বালেসকানোদা সাইন তৌদুনা শন্নরকপদগী ঙসি ফাওবদা গোল ২৮ চনবা ঙমখ্রবা মিচুনা মেটচ অমদা হেন্দিং তৌনবা হোৎনবা

ইন্দিয়া টিমদা ওপ স্পিন্নর ওইনা থৌদাং লৌরম্বদা টেষ্ট ক্রিকেট ১০১ দা ৱিকেট ৪০০ লৌখিবা হরবজন ফেসন দিজাইনর ওইখ্রে

## আই পি এলনা শান্নরোই ৫ দা ফাইনান্সিএল এদ পীনবা খন্নখ্রে

*ন্যু দিল্লী, দিসেম্বর ২৪ ঃ*

বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বি সি সি আই) না লাক্লিবা চহী ২০১৪ গী ফেব্রুৱারী ১২ নৎত্রগা ১৩ দা মীফম অমা পাঙথোক্কুনা চহী অসিদা পাঙথোক্কদৌরিবা আই পি এলগী শান্নরোই মঙাদা শেলগী মতেং পীনবা ৱারেপ লৌগনি হায়রি।

বি সি সি আইগী চেরোল অদুগী মতুং ইন্না আই পি এল সেরিজ অসিদগী খনগৎলবা অফবা শান্নরোই মঙাদা বোর্দ অসিনা মনা পীনবগী মফম অসি চৎলিবা চহী অসিদা পাঙথোকখিবা আই পি এল অদুদা শান্নরোইশিংনা পীখিবা অমদি মখোয়না লৌখিবা থৌদাংশিং অদুবু শীংথাবা ওইনা ৱারেপ অসি লৌখিবনি। মরমদি শান্নরোইশিং অসিনা আই পি এল মেটচশিংদা শরুক য়াবা মতমদা মখোয়গী মখুত্তা অতোপ্পা শান্নরোই কয়া মহুৎ শিঞ্জিল্লকপা অসি খরা মখৈদি হঙ্গনবা ৱাফম অসি লৌরকখিবনি।

মেটচ শান্নরিঙৈ মনুংদা মেটচ অদুদা শরুক য়ারম্বা শান্নরোইশিংনা লৌরম্বা থৌদাংশিং অদুবু ঈকায়খুম্নবা উৎপা ওইনা মখোয়গীদমক কান্ননবা থৌরাং পীনবা ওইনা শান্নারোই মঙা অসি টোপ ফাইভ খন্দোক্কুনা শেলগী তেংবাং পীনবা খন্নখ্রে হায়রি।



গোভর্ণিং কাউন্সিল অসিনা খনগৎলবা শান্নরোই মঙাদা চহীগী পীগদবা শেলগী মতেংশিং অদু মখোয়গী থাগী ওইনা য়েংলগা পীগদবনি। সেলরি অদুগী মতুং ইন্না বি সি সি আইনা খনগৎলবা শান্নরোইশিংগী মনুংদা মীওই ৫ অদুদা টোপ তারবা অদুদা লুপা ক্রোর ১২.৫, অনীশুবা তারবা অদুদা ক্রোর ৯.৫, অহুমশুবা তাবা অদুদা ক্রোর ৭.৫ অদুগা মরিশুবা তাবা অদুদা ক্রোর ৫.৫ অমসুং মঙাশুবা তাবা অদুদা ক্রোর ৪ পীনবা ৱারেপ লৌরে হায়না বি সি সি আইগী চেরোল অসিনা হায়রি।

খনগৎলবা শান্নরোইশিং অদুনা গভর্ণিং কাউন্সিলনা পীগদবা শেলফমশিং অদু চহীগী ওইনা লাম্বোক্কদবনি। মসিদা শান্নরোইশিং অদুনা চহীগী ওইনা হায়রিবা একাউন্টশিং অসি ফংন্ননবা থৌরাং তৌখ্রে।

মখোয়দা পীগদৌরিবা শেলফমশিং অসি আই পি এল লীগ মেটচশিংগী ফী অদুদগী পীগদবনি। অদুমওইনমক আই পি এল লীগ মেটচ অদুদা শান্নরোইশিংবু নেক্লিবা ফার্মশিংনা মখোয়গী নেক্লিবা টিমগী সেট অদুদা য়ারকপা শান্নরোইশিং অদুগী মতাঙদা মায়কৈ অনীনা খন্নরবা মতুংদা শেলগী এৱার্দ অসি শান্নরোইশিং অদুদা খুৎশিন্নগদবনি।

## তিম সরৱুদ টোটেনহামগী হেদ কোটচ ওইনা হাপখ্রে

*লন্দন, দিসেম্বর ২৪ঃ* প্রেমিয়র লীগতা শরুক য়ারিবা টোটেনহাম ফুটবোল ক্লবনা ঙসি তিম সররুদপু টিম অসিগী হেদ কোটচ হাপ্লে হায়না লাওথোকখ্রে। সররুদ অসি ইং ২০১৪-১৫ সেসন ফাওবগী কন্ট্রেক্টতা হাপখিবনি হায়রি।

টিম অসিনা থা অসিদা লিভর পুলগা শান্নখিবা মেটচ অমদা গোল ৫-০ দা মায়থীহৌবদগী মখোয়গী হান্নগী কোটচ এন্দ্রি ভিলাস বোসকী মহুৎতা সররুদপু হাপচিল্লকখিবনি। টিম অসিগী চিয়ারমেন দেনিয়েল লেভিনা ফোঙদোকখিবদা টিম অসিগী পার্ফোর্মেন্স অসি হন্দকপনা মরম ওইদুনা সিজনগী ময়াইৱাইদা তঙাইফদনা কোটচ অসি শিনখিবনি হায়খি।

টিম অসিনা সররুদনা লাকপগা লোয়ননা তুংদা লাক্কদৌরিবা মেটচশিংদা টিম অসিনা য়াম্না ফজবা পার্ফোর্মেন্স পীরক্কনি হায়না থাজবগা লোয়ননা সিজন অসিগী লোয়রকপদা টোপ থ্রি পোজিসন ফাওবা য়ৌরকপা য়াই হায়না লেভিনা মখা তাখি।

পনবা য়াবদি সররুদনা টোটেনহামগী শান্নরোই অমা ওইনা ইং ১৯৯৯ দগী ২০০৩ গী ফাওবগী মনুংদা মেটচ ৯৩ তা শরুক য়াখি। লোয়ননা মখা তানা ব্লেকবর্ন, নোরৱিচ, পোর্টসমাউটনচিংবা ক্লব কয়াদসু শান্নরক্লবা প্লেয়র অমনি।

হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা টোটেনহাম্না সাউটহেম্পতনবু গোল ৩-২ দা মায়থীবা পীখিবগা লোয়ননা হৌজিক প্রেমিয়র লীগকী তরেৎশুবা পেজিসন্দা লৈরি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোরকখিবদা ক্লব অসিনা তুংদা পায় পাকপা ঙম্নবগীদমক্তা অঙম্বা থাক্তা হোৎনগনি।

লোয়ননা ক্লব অসিগী শান্নরোইশিংগী ৱাখল্লোন খঙদোক্লগা য়াম্না কোওপরেটিব ওইবা মওংদা শান্নহনিংই। ক্লব অসি পুৱারিদগী মমিং লৈরক্লবা ক্লব অমনি। মরম অদুনা হান্নগুম্না মিংচৎ কয়া পুরক্লবা হোৎনগনি। হান্নগী কোটচ এন্দ্রিনা ক্লব অসি য়াম্না নীংথিনা শান্নরম্মী লোয়ননা মহাক্না য়াম্না লৈবাকমচা তাবা মওংদা টিম অসিদগী তোকখিবা অদুসু থাগৎনিঙাইহনি হায়খি।



টোটেনহামগী অনৌবা কোটচ তিম সররুদ।

## ইন্দিয়াগী হরবজন সিংহ ফেসন দিজাইনর ওইনা থবক তৌবা হৌখ্রে

*পঞ্জাব, দিসেম্বর ২৪ ঃ*

ইন্দিয়াগী মতম অমগী অফ স্পিন্নর ওইরম্বা হরবজন সিংহনা মহাক্না মশানা দিজাইন তৌজদুনা মশাগী ওইবা ফেসন কলেক্সন অমা হাংদোকখ্রে।

হরবজননা হন্দক্কি রঞ্জিৎ ট্রোফি অসিদগী হৌনা পঞ্জাব টিমগীদমক মহাক মশানা দিজাইনর ওইদুনা ভাজি স্পোর্টস হায়না খঙনবা গ্রুপ অমা হাংদোকখ্রে। ইন্দিয়াগী মতম অমগী অপ স্পিন্নর ওইরম্বা মীওই অমনা ইন্টিপ্রেনর সিপতা মহাক মশানা স্পোর্টসকি লমদা শেৎনা ফি রোল কয়া মশানা দিজাইন তৌদুনা ভাজি স্পোর্টস হায়বা মিংথোন অমগী মখাদা হন্দক চহী অসিদগী হৌনা লৈবাক অসিদা চথরিবা রঞ্জিৎ ট্রোফিগী টুর্নামেন্টশিংদা পঞ্জাব টিমগীদমক্তা তোঙান তোঙানবা দিজাই কয়া পুথোক্লি।

পঞ্জাব টিম্না হন্দক্কি সিজন অসিদা শেৎলিবা য়ুনিফোর্মশিং অসি হরবজননা দিজাইন তৌদুনা পুথোকপা অসি উরবা মতুংদা তোঙান তোঙানবা কম্পেনি কয়ানা টিম অসিগীদমক মহাক্কী ভাজি স্পোর্টস অসিদা পঞ্জাব টিম অসিগীদমক স্পোঞ্চর কয়া অমসু তৌরক্লি।

এন দি টি ভিগা উন্নবা অমদা ইন্দিয়ান ক্রিকেটতা মতম শাংনা টিম অসিগী স্ক্ৱাটতা শরুক য়ারম্বা স্পিন্নর অসিনা মহাক মশাগী ওইবা তোঙানবা শান্নবদা শীজিন্ননবা ফি রোলশিংগী ওইবা মিনি কম্পিনি অমা হাংদোক্লি।

মসিদা মহাক মশানা শেৎপদা নুঙাইবা অমদি শীজিন্নবদা খুদোংচাবা য়াবা ফ্রাইবিকশিংনা শেম্বা ফিরোলশিং অসি শান্নবা মতমদা শান্নরোই অমনা শীজিন্নবদা থোইদোক্না হন্থবা থাক নত্তবা পোৎলম কয়া অসি মহাক্কী ভাজি স্পোর্টস অসিদা শেম শারি হায়না মখা তাখি।

এন দি টি ভিগা উন্নবা অদুদা মহাক্না মকা তারদুনা মহাক্না অফবা ফিরোল শেৎ চাবা পাম্মী। লোয়ননা মহাক্কী মরুপ মপাংশিংনা মহাকপু ইন্দিয়ান টিমগী শান্নরোই অমা ওইরিঙৈ মতমদগী হৌরগা শান্নবা তোক্লবা মতমদা করম্বা থবক লৌখৎকদগে হায়বগী মতাঙদা খন্নবদা ফিরোলগী ওইবা দুকান অমা লিংখৎপা পাম্মী হায়বদসু মহাক্কী মরুপ মপাংশিংনা অচৌবা মতেং পাংলকখি।

মহাক্না মখা তারদুনা ফোঙদোকখিবদা মহাক মশা অসি মশাগী ওইজবা ফার্ম অমদা শেমজবা ফিজোলশিং অদু শীজিন্নবা পাম্বা প্লেয়র অমনি। মহাক্না ইন্দিয়া টিমগীদমক্তা শান্নখিবা মতমদা শেৎ চাখিবা ফিজোলশিং অদুসু মহাক্কী অপাম্বা মতুং ইন্না ফিজেলশিং অদুবু শেম শারিবা কাঙবুশিংদা দিজাইন তৌরবা মতুংদা শেৎ চাকি হায়নসু পল্লদুনা ফেসন দিজাইনর অমা ওইনসু মহাক্কী আইদিয়া কয়া পুথোকখি হায়রি।

ঙসিদি লৈবাক অসিগী মীওই কয়ানা মহাক্না পাল্লিবা দিজাইনশিং অদু ভাজি স্পোর্টসতা লাক্লগা তানবা য়াগনি। মখোয়গী অপাম্বা খুদিংমক কম্পেনি অসিনা পীনবা শেম শাদুনা লৈরে হায়রি।

থৌরাং অসি হরবজনগী ওইনা অহানবা অমদি নত্তে। মহাক্না ইন্দিয়া টিমগী রিপ্রজেন্টেদেট ওইনা শান্নদ্রিঙৈগী মমাঙদগী হৌনা অনৌবা মখলগী স্পোর্টস আইটেম কয়া শেম শাবা হৌরকখি। মহাক মশা অসি পঞ্জাব ফিল্ম অমদা পুলিস ইন্সপেক্টরগী রোল লৌদুনা শরুক য়াবগা লোয়ননা চহী খরগী মমাঙদগী মেদেল অমা ওইনসু শরুক য়ারকখি।



## ওলাসোবু মেটচ ফিক্সিং তৌবগী অথিংবা থমখ্রে

*লণ্ডন, দিসেম্বর ২৪ ঃ*

মেটচ ফিক্সিং তৌবগা মরী লৈননা স্পেনগী ওইনা ৱার্ল্ড রেঙ্কিংদা ২৩৬ শুবদা লৈরিবা গ্বিইলেমো ওলাসোগী মথক্তা চহী ৫ অথিংবা থমখ্রে।

য়ুনিফোর্ম টেনিস এন্টি করপসন প্রোগ্রাম্না কুপ্না থিজিল্লবা মতুংদা স্পেনগী ৱার্ল্ডগী নম্বর ২৩৬ শুবদা লৈরিবা গ্বিইলেমো ওলাসোগী মথক্তা চহী মঙাগী অথিংবা থমখ্রে। মসি মহাক্না মেটচ ফিক্সিং তৌবগা মরী লৈননা মহাক্কী মথক্তা চথরকপনি হায়না এন্টি করপসনগী মতাঙদা য়েংশিন্নবা হাঙলিবা য়ুনিফোর্ম টেনিস এন্টি করপসন প্রোগ্রামগী মীওইশিংনা হীরম অসি লৌখৎখিবনি হায়রি। লোয়ননা মহাক্কী মথক্তা লৌখৎলিবা চার্জশিংগী মনুংদা হন্দক্কি অসিনা মঙারক শুবা ওইরি। টেনিস ইন্টিগ্রিটি য়ুনিট (টি আই য়ু) গী মচিন চৎপা মীওই অমনা ফোঙদোকপগী মতুং ইন্না মহাক্না মেটচ ফিক্সিং তৌবা অসি হৌখিবা চহী ২০১০ দনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

টি আই য়ুগী মচিন চৎপা মীওই অদুনা চহী ৫ গী অথিংবা থম্বলা শান্নরোই অসিনা চহী মঙা মপুং ফাগদবা থা ১৮ ৱাৎলিঙৈগী মনুংদা এন্টি করপসন এদ্যুকেসন এন্দ রিহেব্লিটেসন প্রোগ্রামগী মনুং চনবা ওইনা য়ু এস দোল্লর লীশিং ২৫ ফাইন ওইনা পীগদবনি। ওলাসোগী মথক্তা মেটচ ফিক্সিংগা মরী লৈননা লৌখৎলকপা থৌরাং অসিগী শরুক অমা ওইনা শান্নরোই অসিনা চহী ৮ গী মনুংদা প্রাইজ মণি ওইবা এ টি পি টুর অহুমদগী হেন্না শরুক য়াবা য়ারোই। মহাক্না চহী ১০ গী মনুংদা ফংখিবা টাইটল অমদি প্রাইজ মণিশিং অসি মহাক্না থিগদৌরিবা এমাউন্ট অসিদগী হন্থরে হায়খি।

## ব্রাজিলগী ৱার্ল্ড কপ পাঙথোক্কদৌরিবা ষ্টেদিয়মগী অকোয়বদা লৈরিবা হোটেলশিংদা রুমগী মমল হান্ননা লৈরম্বা চাংদগী য়াম্না ৱাংখ্রে

*রিও দি জেনেরো, দিসেম্বর ২৪ ঃ*

ব্রাজিলনা য়ুম্বু ওইদুনা লৈবাক অসিদা লাক্লিবা চহীগী জুন থাদগী হৌদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা সোক্করগী ৱার্ল্ড কপ পাঙথোক্কদৌরিবা মরু ওইবা ষ্টেদিয়মশিংগী অকোয়বদা লৈরিবা হোটেলগী রুমশিংগী চার্জ অসি বেদ অমদা দোল্লর ৪৫০ গী চাংদা য়ৌখ্রে হায়না রোচেনহ অমসুং মনাক নকপা মফমশিংদা লৈরিবা ময়াই ওইরকপদগী হৌরগা অপিকপা হোটেল ফাওবদা মমল ৱাংখৎখ্রে।

লৈবাক অসিদা য়ুম্বু ওইদুনা ইং ২০১৪ গী জুন থাদগী পাঙথোকপা হৌগদৌরিবা ৱার্ল্ড কপ সোক্কর অসিগী অহৌবা অমদি অরোইবা মেটচ শান্নবগীদমক হৌজিক কন্না শেমগৎ শাগৎলিবা ষ্টেদিয়ম অসিগী অকোয়বদা তারিবা তোঙান তোঙানবা হোটেলশিংদা ৱার্ল্ড কপ মনুং অসিগী ওইনা বেদ অমগী ওইবা চার্জ অসি ৱার্ল্ড কপ মনুংগী ওইনা পার বেদতা য়ু এস দোল্লর ৪৫০ দা লেপখ্রে হায়রি।



লৈবাক অসিদা তোঙান তোঙানবা মখলগী করবার কয়া হেনগৎলকপগা লোয়ননা লম্বীদা দ্রগ করবার তৌরম্বা মীওইশিং ফাওবদা মকোয়দা সপ্লাই পীরক্লিবা মীওই কয়ানা লাক্লিবা ৱার্ল্ড কপ অসিগী ওইনা হান্ননা পীরম্বা দিল্লর রেট অদুদগী দবলস টাইমস হেনগৎখ্রে।

অমরোমদা লৈবাক অসিগী পুলিসশিংনা অসিগুম্বা মথোং হুক্তবা থৌওংশিং অসিবু থিংন্ননবা অকনবা খোঙজং চঙশিনবগা লোয়ননা হীরম কয়াগী মতাঙদা থিজিন হুমজিনবগী থবকসু খুমাং হেন্না চাওখৎনবা পুলিস দিপার্টমেন্টকি মায়কৈদা অকনবা থৌরাং পীনবা মিৎয়েং থম্বগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদসু ৱার্ল্ড কপ মনুংদা থোকহন্নিংদবা থৌদোক কয়া থোক্তনবা মীকুপ নাহুমশিংনা লৈন্নবা অখন্নবা ট্রেনিং কয়া পীবগা লোয়ননা চিংনবা মীওইশিং খুদক্তা ফান্নবা অমদি মখোয়গী মথক্তা লৌখৎপা য়াবা এক্টশিং লৌনবা ৱারেপ অমা লৈবাক অসিদা চৎনবা হৌরগনি।

অনৌবা চৎনা পথাব অসি ৱার্ল্ড কপ হৌদ্রিঙৈগী মাঙওইননা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা চৎনগনি হায়রি। মফম অসিদা লৈবা সন্তোস কৌবা মশাগী চহী ৪৯ লোম শুরবা মীওই অমনা ফোঙদোকপগী মতুং ইন্না মহাক্কী মশাগী ময়ুম ইপানিয়া সন কিস বিসতগী পংলাপ লাপ্তবা মফম অমদা লৈবা য়ুম অদুগী বেদ রুম অহুম ফংবা য়াবা অদুসু ৱার্ল্ড কপ মনুং অসিদা রেন্ট ওইনা শান্দোক্নবা থৌরাং তৌবা হৌবগা লোয়ননা মসিদা লাকপা মীওইশিং অদুদা মখোয়গী মায়কৈদগী পীবা য়াবা মতেং অদু পীগনি। য়ুম অসিদা থুংলবা মীওইশিংনা অহিং অমা য়ারেকপা মতমদা দোল্লর ৫০ লৌগনি হায়রি।


# CHEM

DISTANCE EDUCATION

(CENTRE FOR HIGHER EDUCATION MANIPUR)

*Authorised host Institute of Lovely Professional University, Punjab*

**Recognized by UGC**

Regulatory Body of Govt. of India for Open and Distance Learning System)
Vide F.No. UGC/DEB/Decog /2013 (1233-1237)

PROGRAMMES OFFERED

COMPUTER APP./ IT/ COMP. SC. :

MCA* ,M.Sc. IT *,M.Sc.CS*, PGDCA,PGDIT,PGDCS, BCA* ,B.Sc.IT*, B,Sc. CS*, DCA,DIT,DCS,

COMMERCE :

M.Com,B.Com

Affordable Fees Structure

MANAGEMENT :

MBA*,PGDBM,BBA*

LIBRARY & INFORMATION SCIENCES :

MLIS,BLIS,DLIS

ART (in English & Hindi Medium :

M.A (Hindi, Economics, Education, History, Sociology, Political Science, English, Mathematics) B.A

*LATERAL ENTRY & MIGRATION ALSO AVAILABLE

Prospectus and Application Forms are available at:

CHEM

CHANGANGGEI, Opp. IMPHAL TULIHAL AIRPORT

CONTACT : 0385-2455559 | 8414069061 | 8413036162